মিলিটরিগী পাঙ্গল, নুপীশিংগী মতিক ময়াই উত্তুনা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক ডে সেলেব্রেসন পাঙথোক্লগনি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সি) : ঙসি চিংলেন্নবা কর্তব্যা পার্কতা মিনট ৯০ গী পেরদ অমা লৈবাক অসিগী মিলিটরিগী পাঙ্গল অমসুং ইনাকখুল্লবা কলচরেল হেরিটেজ উৎথোক্তুনা ইন্দিয়ানা ৭৫ শুবা রিপব্লিক ডেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি।

লৈবাক অসিগী নুপীশিংগী মতিক ময়াই অমসুং দেমোক্রেটিক ভেল্যুশিং প্রোজেক্ট তৌবগী থিম অমগা লোয়ননা চাউনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোননা চিফ গেষ্ট ওইগনি। আর্ম ফোর্সেসনা মিসাইলশিং, দ্রোন জামরশিং, সার্ভিলেন্স সিষ্টেমশিং, গাড়ীদা পুবা মোর্টারশিং অমসুং বি এম পি-টু ইনফেন্টেরি কম্বেট গাড়ীনচিংবা লৈবাক অসিনা শাজবা মিলিটরি খুৎলাই মখল কয়া পেরদ অদুদা উৎকনি।

অহানবা ওইনা নুপী ডাক্তগী ওইবা ত্রাই-সার্ভিসেস কন্টিজেন্টনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা থৌরম অদুদা শরুক য়াগনি। অতোপ্পা পুৱারীগী অহানবা ওইনা হৌখিবা চহীদা অহানবা ওইনা আর্টিলরিগী রিজিমেন্টদা কম্মিসন তৌখিবা নুপী ১০গী মনুংদা চল্লিবা লেফটিনেন্টশিং দিপতি রানা অমসুং প্রিয়ঙ্কা সেবদানা পেরদ অদুদা রাদর থীবা স্বাথি খুৎলাই অমসুং পিনাকা রোকেট সিষ্টেম লিদ তৌগনি।

পেরদ অদু হান্নদগী চৎনরকপা মিলিটরি বেন্দশিংগী মহুৎতা অহানবা ওইনা মোইবুং নাৎস্বারম, নগদানচিংবা ইন্দিয়ান ম্যুজিকেল ইনষ্ট্রুমেন্টশিং পায়বা নুপী আর্টিষ্ট ১০০ হেনবনা হৌগনি। নুপী পাইলোট ১৫ রোম্নসু নুপীশিংগী মতিক ময়াই রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী ফ্লাই-পাষ্টতা ভাবকশিংগী পুল্লিং চিংশিনগদৌরি।

সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেস (সি এ পি এফ) কী কন্টিজেন্টশিংদসু নুপী পার্সোনেলশিং য়াওগনি। রিপব্লিক ডে পেরদ অদু অয়ুক পুং ১০.৩০ দা হৌগনি অমসুং মিনিট ৯০ রোম চুপ্পা চৎথগনি। থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নেসনেল ৱার মেমোরিয়েলদা চৎপগা লোয়ননা হৌগনি। মফম অদুদা মহাক্না লুচিংদুনা লৈবাক মীয়াম্না মথৌ পাঙথোক্লিবা মথৱায় থাখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নগনি। মদুগী মতুং ঙৈহাক লৈরগা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু অমসুং ফ্রান্সকী মহাক্কী লেংমাংনবা ইমান্যুএল মেক্রোন মথক কুপ্তবা গাড়ীদা থুংলগনি।

প্রেক্টিস অসি চহী ৪০ লেপ্লুরবা মতুংদা হন্দক অমুক চৎনবা হৌহনগদৌরিবনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রি। লৈবাক্কী ফিরাল পায়হনবগা লোয়ননা গন সেলুট ২১ পীদুনা লৈবাক্কী ঈশৈ নেসনেল এন্থেম শক্কনি। গন সেলুট অদু লৈবাক অসিনা পুথোকচবা গন সিষ্টেম ওইরিবাএম এম-১০৫ ইন্দিয়াল ফিল্ড গনশিং শিজিন্নরগা পীগদৌরিবনি। কর্তব্যা পার্কতা পুল্লিবা ভাবকশিংদা ১০৫ হেলিকোপ্টর য়ুনিটকী এম আই-১৭ মরিনা লৈ চাইথগনি।

মদুগী মতুংদা প্রসিদেন্ট মুরমুনা সেলুট লৌদুনা পেরদ অদু হৌগনি। পেরদ অদু জেনরেল ওফিসার কম্মান্দিং, দেল্লি এরিয়া লেফটিনেন্ট জেনরেল ভবনেসকুমারনা কম্মান্দ তৌগনি। কর্তব্যা পার্কতা ফ্রেন্স আর্ম ফোর্সেসকি অপুনবা বেন্দ অমসুং মার্চিং কন্টিজেন্ট অমনা মার্স পাষ্ট চৎকনি। মেম্বর ৩০ গী কন্টিজেন্ট বেন্দ অমা কেপ্টেন খৌর্দানা লুচিংগনি অমসুং ফ্রান্সকী মেম্বর ৯০ গী মার্চিং কন্টিজেন্টনা মতুং ইনগনি। ফ্রেঞ্চ মার্চিং কন্টিজেন্ট অদুদা ইন্দিয়ান ৬ য়াওগনি।

কন্টিজেন্টশিং অদুনা সেলুটিং দেসকী মমাংদা মার্স পাষ্ট পাঙথোক্লিঙৈদা ফ্রেঞ্চ এয়র অমসুং স্পেস ফোর্সকী রাফেল ফাইটর জেট ২ অমসুং মল্টি-রোল টেঙ্কর ট্রান্সপোর্ট এয়রক্রাফ্ট অমনা মথক্তা পাইগনি।

মেকনাইজদ কলম লুচিংগদৌরিবা অহানবা ইন্দিয়ান আর্মি কন্টিজেন্ট মেজর য়াসদিব অহলাৱাটনা লুচিংবা ৬১ শুবা কেভেলরিনা ওইগনি। কুমজা ১৯৫৩ দা লিংখৎখিবা ৬১ শুবা কেভেলরিনা মালেমগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা মথৌ তৌরিবা হোর্স কেভেলরি রিজিমেন্টনি।

অহানবা ওইনা লৈবাক অসিনা শাজবা তেজাস এয়রক্রাফ্টনা প্লেন মরিগী ফোর্মেসনদা পাইগনি। মমাংদা রিপব্লিক ডেগী পেরদতা তেজাজ জেট অমনা শরুক য়াবা লৈখ্রবনি। তৈইগুম্বসুং অহানবা ওইনা এয়রক্রাফ্ট অদুনা ফোর্মেসন অদুদা পাইগদৌরিবনি। মোটোর সাইকল দিসপ্লে মনুংদা সি আর পি এফ, বি এস এফ অমসুং এস এস বি গী নুপী পার্সোনেল ২৬০ হেনবনা দেয়রদেভিল ষ্টন্টশিং পাঙথোক্লগনা লৈবাক অসিগী নুপীশিংগী শক্তি উৎকনি। পুন্না ষ্টেটশিং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী টেব্লো ১৬ অমসুং সেন্ত্রেল মিনিষ্ট্রিশিং অমদি দিপার্টমেন্টশিংগী টেব্লো ৯ না পেরদ অদুদা শরুক য়াগনি।

রিপব্লিক ডে পেরদতা শরুক য়াগদৌরিবা ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী অরুনাচল প্রদেশ, হরিয়ানা, মণিপুর, মধ্য প্রদেশ, উরিষ্যা, ছটিসগর, রাজষ্ঠান, মহারাষ্ট্রা, অন্দ্র প্রদেশ, লদাখ, টামিল নাদু, গুজরাট, মেঘালয়া, ঝরখন্দ, উত্তর প্রদেশ অমসুং তেলঙ্গানানি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী বি জে পি গী কেম্পেন য়ু পিগী বুলানসহরদা হৌদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সি) : বুলানসহরদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর ১৯,১০০ রোমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়াসু শঙ্গাখি। মদুগী মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রোজেক্টশিং অদু রেল, রোদ, ওইল অমসুং গ্যাস অমদি অর্বান দিভলপমেন্ট অমসুং হাউজিংগুম্বা মরুওইবা সেক্টরশিংগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙথোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ভিদিও কনফরেন্সশিংগী খুত্থাংদা ষ্টেসন অনীদগী পোৎ-চৈ পুবা ত্রেন অনী লমথাদুনা দেদিকেটেদ ফ্রাইট কোরিদোর (দি এফ সি) গী ন্যু খুর্জা অমসুং ন্যু রেৱারিগী মরক্তা লৈবা কিলোমিটর ১৭৩ শাংবা দবল-ইলেক্ট্রিফাইদ সেক্সন লৈবাক মীয়ামদা কথোকখি। পি এম ও গী মতুং ইন্না অনৌবা দি এফ সি সেক্সন অদু নোংচুপ অমসুং নোংপোক থংবা দি এফ সিশিংগী মরক্তা য়াম্না মরুওইবা কনেক্টিভিটি পীবনা মরুওইনা লৌবা য়াই।

রেল্লিদা ৱা ঙাঙলদুনা মোদিনা হায়, ঐখোয়গী গভর্নমেন্টগুম্না মমাংদা গভর্নমেন্ট অমত্তনা লৌমীশিংগীদমক্তা অসুক য়াম্লবা থবকশিং তৌখিদ্রি। হৌখিবা চহী ১০ গী মতমদা ঐখোয়গী পীক্লা থবক তৌজবা লৌমীশিং পব্লিক ৱেলফেয়র স্কিম খুদিংমক্তগী হকথেংননা কান্নবা ফংখি।

মীদিয়া চেনেল খরনা মোদিনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী ব্যুগল শোয়দনা খোঙলক্লগনি হায়না রিপোর্টকয়া ফোঙনরবসু তশেংনমক্তা মোদিনা চাওখৎ খোঙথাংগী ব্যুগলদমক খোংবনি। মোদিনা মীখলগী ব্যুগল খোংবা মথৌ তাদে। মদুদি মীয়াম্না মহাক্কীদমক্তা তৌজবনি।

[illegible]

[illegible]

গাজা ওফেন্সিভ লেপহন্নবা হায়জবগী মতাংদা ঙসি ওর্দর ইস্যু তৌরগনি

হেগ, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সি) : গাজাদা চথরিবা ইজরেলগী ওফেন্সিভ লেপহনবা য়াওনা ইজরেলগী মায়োক্তা সাউথ অফ্রিকানা থাঙ্গৎলক্লিবা জেনোসাইদ কী কেস অমদা ইন্টরিম ওর্দর অমা থোকপীনবা হায়জরকখিবা ৱাফমগী মতাংদা হয়েং য়ুনাইটেদ নেসন্সকী টোপ কোর্টনা ৱারেপ অমা ইস্যু তৌরগনি।

গাজাদা হামাসকা শোক্লবা লানদা ইজরেলনা চথরিবা মিলিটরি এক্সন অদু জেনোসাইদকা মান্নে হায়না মরাল শিরদুনা সাউথ অফ্রিকানা ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা ফাইল তৌরকখিবা কেস অমগী প্রিলিমিনরি ষ্টেজ ওইনা ৱারেপ অদু লৌগদৌরিবনি।

অমরোমদা ইজরেলনা সাউথ অফ্রিকানা মরাল শিরক্লিবা অদুবু অকনবা মওংদা য়াখিদবগা লোয়ননা মালেমগী টোপ কোর্ট অসিদা কেস অদু রিজেক্ট তৌনবা তকশিনখ্রবনি। নেদরলেন্দসকী হেগতা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী টোপ কোর্ট অসিনা ইন্টরিম রুলিংগী মতম য়ুমশকৈশ নুমিৎতা লাউথোকখি। সাউথ অফ্রিকাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়রিবদি ইরাই নুমিৎকী রুলিং অদুদা সাউথ অফ্রিকা রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক ফোরেন মিনিষ্টর নালেদি পান্দোর হেগতা চৎলগনি।

হামাস মিলিটেন্টশিংনা হৌখিবা ওক্তোবর ৭ তা ইজরেলগী খাথংবা শরুক্তা অকনবা লান্দা চথদুনা অয়াম্বা মীচমশিংনা ওইবা মীওই ১২০০ রোম হাৎখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা ইজরেলনা গাজাদা অচৌবা এয়র অমসুং গ্রাউন্দ এসোল্ট লোঞ্চ তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি ইজরেলনা মমাংথক্তগী হৌনা ইন্টরনেসনেল ত্রাইব্যুনেলশিং অমসুং য়ু এনগী ইনভেষ্টিগেসনশিং মওং মরীল তাদে অমসুং মীচং মীখায় নাই হায়রদুনা বোয়কোদ তৌদুনা লাক্লিবনি। তৈইগুম্বসুং হন্দক্কী মতাং অসিদদি নুমিৎ নিনিগী হিয়ারিংগীদমক অৱাং থাক্কী লিগেল টিম অমা থাখি।

মীখলদা খুৎ থীংজিনবগী থীজিনবদা ইন্দিয়াসু কোশিনল্লগনি

ওটাৱা, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সি) : চাইনানা কনাদাগী মীখলদা খুৎ থীংজিনখি হায়না ক্লেম তৌখিবা মীদিয়া আউটলেটশিংদা ইন্টলিজেন্স দোক্যুমেন্ট খরা লিগ ওইখিবদগী হৌখিবা চয়োলদা কনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ত্রুদোনা ইনক্বারি অমা লাউথোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক ইনক্বারি অদুদা ইন্দিয়াসু কোনশিল্লগনি হায়রি।

মপান্দগী খুৎ থীংজিল্লকপগী মতাংদা কনাদানা চথরিবা পব্লিক ইনক্বারি অদুনা হন্দক্কী নেসনেল ইলেক্সনদা ইন্দিয়ানা খুৎ থীংজিন্নবা হোৎনখি হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিল্লগনি। ৱাফম অসিনা হান্নগী লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবগী ফিভম হেন্না লুশিলহল্লে হায়রি।

প্রসিদেন্ট সি জিমপিংগী গভর্নমেন্টনা কেন্দিদেটশিং শৌগৎতুনা চাইনানা কনাদাগী মীখলদা খুৎ থীংজিনখি হায়বা মীদিয়া আউটলেটশিংগী ক্লেমশিংগা মরী লৈননা ত্রুদুনো ইনক্বারি অদু লাউথোকখিবনি।

EDUCATIONAL MULTIMEDIA RESEARCH CENTRE
MANIPUR UNIVERSITY : CANCHIPUR: IMPHAL
[illegible]/ ADVERTISEMENT NO.1/2024

Dated, the 24th January, 2024

No. MU/AV-25/Est.03/1038 It is hereby notified that the Educational Multimedia Research Centre (EMMRC), Manipur University is inviting applications for 22 (twenty-two) posts (Group-A, Group-B and Group-C) of EMMRC, Manipur University.

For online application the start date is 25/01/2024 and last date is 23/02/2024. Last date of submission of downloaded Copy is 11/03/2024.

Details may be downloaded from the University website **www.manipuruniv.ac.in**

Sd/-
Prof. Kananbala Sarangthem
Director i/c,
EMMRC, Manipur University

HL-B/8506/26 & 28 Jan.

BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR
[illegible]/NOTIFICATION

Imphal, the 25th January, 2024

No. Ex/11/Vol-VII/1500 In supersession of this office notification of even No. dated 15th December, 2023 issued in this regard, it is hereby notified for information of all Heads of High/Higher Secondary Schools recognized by the Board of Secondary Education, Manipur that in view of the prevailing law and order situation in the State, the last date of online and offiline (for Internally Displaced Students) submission of application forms for the ensuing H.S.L.C. Examination, 2024 has been extended till 2nd February, 2024 **without fine.** Details can be had from the official website **https://www.hslcportal.bosem.in.**

Sd/-
Ayam Thoi Singh
Controller of Examinations

HL-P/9366/26 Jan.

[illegible] / লান্ন-থৌরম

মালেম তাইবঙপান অসিদা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমক্কী ইরক্তা তিনবিরম্বা তখেল্লম্বম শৈলেশ্বর, ১০ শুবা আই আর বি (ইম্ফাল ইষ্ট সি দি ও, স্পিসিয়েল কম্মান্দো য়ুনিটতা লৈবা) দা লৈদুনা মরৈবাক মরমদম মণিপুরবু কন্ননবা মোরেদা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা হৌখিবা চৈচৎ ১৭।০১।২০২৪ কুমজা ৱাকচিংগী ৭ নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা মপুগী লৈকোন্দা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে। লাক্লিবা চৈচৎ ২৯।০১।২০২৪ কুমজা ৱাকচিংগী ১৮ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈখিদ্রবগী লান্ন-থৌরম থোক্লে।

নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চীক্লা লৈরুনবা ঙমজবা হৈরাং লৈরাং খরদং মপুগী খূয়াদা কৎচগদৌরি। থৌরম অসিদা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবগা তিন্নবিরম্বা, অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মরুপ-মপাং, ইচে-ইচল, লৈবাক মীয়াম খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা শরুক য়াবিরনবা পাউ-চেগী খূৎথাংদা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবা ঃ-
তখেল্লম্বম ওংবী অঞ্জলী (লোয়নবী) অমদি ইমুং মনুং
অখাম মমাং লৈকায়, লমশাং, মণিপুর।

HL-C/247/25,26 & 28 Jan.

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE : MAHUD DEPARTMENT
[illegible]/ADVERTISEMENT

Imphal, the 25th January, 2024

No. 1/29/2023-DIR/MAHUD): Applications is hereby invited for recruitment of 01 (one) 'Project Management Unit (PMU) Manager' for engagement on contractual basis for the scheme 'National Action for Mechanised Sanitation Ecosystem' (NAMASTE) at MAHUD Department. An amount of Rs. 45,000/- (inclusive of applicable taxes) + TA/DA per month shall be paid directly by the Ministry of Social Justice & Empowerment, Govt. of India.

- Last date of submission of Applications form: **2nd February 2024 (05:00 PM)**
- Filled up Application forms along with supporting documents shall be submitted at:

  Office of Directorate, MAHUD
  2nd Floor PDA complex, North AOC-Imphal 795001 (Manipur)
- All applications shall be scrutinized by this office as per the eligible criteria - laid down by the Ministry and only the shortlisted candidates shall be communicated with for appearing in the interview.

Application forms along with details of emoluments, requisite qualifications, recruitment process, scheme details and other terms & conditions of engagement are available on **https://muda.mn.gov.in**

Sd/-
Director (MAHUD), Manipur

HL-B/8507/26 Jan.

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, LAMPHELPAT, IMPHAL

Ref :- Mut Case No. 33/AS&SOX/2024 **Date: 18/01/2024**

Saikhom Surjageeta Devi, D/o Late Saikhom Amuba Singh of Khangabok Makha Leikai

- Petitioner...P...

- Vrs -

Saikhom Amuba Singh, S/o Late Yaima Singh of Khangabok - Op.P...

[illegible] / NOTICE

Imphal 18/01/2024

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৩-খাঙবোক্কী পাট্টা নং ২৫৫৭ অরিবা ২৯০৫ অনৌবগী দাগ নং ২০৪২ হেক্তর .৪৯৫০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা শ্রী সাইখোম অমুবা সিংহ পী: মৃ: য়াইমা সিংহ পাট্টাদার অসি মৃত্ব ওইখ্রে। মরম অসিনা পাট্টা অসিগী হেক্তর .৪৯৫০ ফৌরেল লৌফম অসিদগী নোংচুপ থংবদা হেক্তর .২৫০৯ চাওবা লমদা কো পাট্টাদার ওইনা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মৃত পাট্টাদারগী মরী-মতা, মচা-মশু অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী Court অসিদা Objection তৌগদবনি নত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি তুংদা লাকপা Objection Court অসিনা লৌরোই।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer-X**
Lamphelpat Imphal

HL-P/9369/26 Jan.

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, LAMPHELPAT, IMPHAL

Ref :- Mut Case No. 32/AS&SOX/2024 **Date: 18/01/2024**

1) Khundrakpam Jayenta Singh, S/o Late Gouramohon Singh of Khangabok Khullakpam Leikai
2) Do - Basanta Singh, S/o Late Do - of - Do
3) Do - Hemanta Singh S/o Late Do - of - Do

- Petitioner...P...

- Vrs -

1) Khundrakpam Gouramohon Singh, S/o Late Bidhu Singh of Khangabok
2) Do - Ningol Ibe Devi, W/o Angou Singh of Do - - Op.P...

[illegible] / NOTICE

Imphal 18/01/2024

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩৩-খাঙবোক্কী পাট্টা নং ২৬৪ (অরিবা) ৩৭৮ (অনৌবা) দাগ নং ৪৫৩৪ গী হেক্তর .১৮৫০ চাওবা ইংখোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং ১ শ্রী খুন্দ্রাকপম গৌরমুহোন সিংহ পী: মৃ: বিধু সিংহ অমসুং নং ২ শুবী খুন্দ্রাকপম নিঙোল ইবে দেবী পতি অঙৌ সিংহ কো-পাট্টাদার মখোয় অনীমক মৃত্ব ওইখ্রে। মরম অসিনা পাট্টাদার মখোয় অনীগী মমিং কক্লগা Petitioner মখোয় অহুমগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মৃত কো-পাট্টাদার অনীমক্কী মরী-মতা, মচা-মশু অমদি ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী Court অসিদা অইবা চেনা Objection তৌগদবনি নত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি তুংদা লাকপা Objection Court অসিনা লৌরোই।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer-X**
Lamphelpat Imphal

HL-P/9369/26 Jan.

SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI
IMPHAL WEST DISTRICT

Ref. R.R. No. 347/SDC/IW(P) of 2023

Smt. Khumukcham Indira Devi, W/o (L) Kh. Rajen Singh of Sagolband Khamnam Leirak

[illegible] / NOTICE

Patsoi, the 25/01/2024

অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি, Smt. Kh. Indira Devi গী মপুরোইবা (L) Khumukcham Rajen Singh সাং Sagolband Khamnam Leirak তা লৈবা অসি Dt. 22-6-2023 ইংদা মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবগী নুপী অসিনা মঙোন্দা Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়জররে। মসিদা কনা কনাগুম্বনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রগদি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Patsoi
Imphal West District

HL-P/9364/26 Jan.

[illegible] / অৱাবা ফোঙদোকচবা

Heinoupok Taba Soubam Sagei Lup কী Committee Member ওইবিরম্বা লোয়ননা Langjing Gram Panchayat কী Up-Pradhan (1987 to 1991) অমসুং Pradhan (1991 to 1995) ওইনা পুবিরম্বা সৌবাম কুল্লাচন্দ্রা সিংহ (৮৭) মোইরাং হনুবা মমাং লৈরক্তা লৈবনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা মশাগী য়ুমদা হৌখিবা তাং ২২/১/২০২৪ ইং ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা তাইবংপান থাদোক্তুনা মপুগী লৈকোন্দা তিনখিবদা Heinoupok Taba Soubam Sagei Lup কী Committee Member শিংনা মিনট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ইংনা চিক্লা লৈরুনবা অৱাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

ফোঙদোকচরিবা ঃ
H. Chinglensana Singh
Secy. Heinoupok Taba Soubam Sagei Lup

HL-P/9362/26 Jan.



NEET MBBS/BDS BIOLOGY TODAY
A Pre - Medical Coaching Institute for NEET
Course Available : FOUNDATION / MASTER TEST SERIES / CONDENSE COURSE
Registration Started for 3 Months Super Classes
NEET (UG) - 2024 [illegible]
Class STARTS: February 1, 2024 (Thursday)
(Only 50 seats based on first come first serve basis)
Available Test Series
No. of Chapterwise Test Papers = 16
1. Ranker Test Series = 10 Test Papers
2. NEET Champions = 6 Test Papers
Mock Test Papers = 54
(Full Syllabus of Class XI & XII)
Pen & paper Mode = 4
Practice Mock Test Papers = 50
Course Duration: 3 Months (February, March & April)
- Top Class Daily Practice Problems on ASSERTION & REASON & Difficult Questions
- Crack NEET in 1st Attempt under the Strict Guidance of Sir Dhaneshwor
- Total 7,000 Questions with New Syllabus (Exact Question Pattern for NEET - 2024)
- Strictly as per latest SYLLABUS announced by NMC on Oct. 6, 2023

Top 10 Performers in NEET - 2023 (UR & ST Category)
NEET - 2023 State Topper
670/720 1 Rank LAISHRAM CHIRAH
634/720 2 Rank MAHESH ARIBAM
625/720 4 Rank BRAINY MANGANG
609/720 10 Rank BIDYANANDA THOUDAM
ST 1 Rank KC MOSHINGWAR
ST 6 Rank TAMSINGPHI MUINAO
ST 7 Rank VANGAMLA SHIMRAY

Top 10 Performers in NEET - 2022 (UR & ST Category)
UR State Rank 1 A JEETKUMAR
UR State Rank 3 JAHIR KHAN
UR State Rank 5 KONICA
ST State Rank 1 MOSHIL
ST State Rank 3 MOYONGSHEL
ST State Rank 4 V MATEIVI
ST State Rank 5 GAICHINGLIU
ST State Rank 6 DOIBILA CAROLINE
ST State Rank 9 VERONICA
ST State Rank 10 POUNE REIMAI
OUR ACHIEVEMENTS
No. of Student selected
Year
2019 13
2020 46
2021 72
2022 136+
2023 150+

At Keishamthong Laishom Leirak Near Keishampat Junction

HL-P/8543/29, 31 to 26 Jan Alt.

[illegible]
ADVANCED COACHING INSTITUTE (ACI)
Science/Arts/ comm.
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN MANIPUR
MAXIMUM POSITION HOLDERS IN HSLC & COHSEM EXAM EVERY YEAR
HSLC TOPPERS STUDENTS
2nd Post DHANAJIT
9th Post. SWATI
10th Post' KHENILA
11TH Post NEVITA
15th Post AVANTIKA
16th Post SHAGEINGANBA
17th Post BIDAYA
17th Post KHENIKA
17th Post KHENIJA
7th post SNEHA
9th Post MALEM
23TH Post. PARES
24th Post TANU
SCIENCE
11 TH Post NEVITA
4TH Post ROBINSON
6TH Post SHAH MINHAZ
8th Post. ANJU ANAND
9th Post. THOUNGAMBA
16th Post SAMANANDA
ARTS
3RD Post FIROJ
7TH Post OBINKUMAR
8th Post. PARITON
8th Post. PARIHAN
10th Post. SANATHOI
5th Post SHARMELI
5TH Post BERON
8th Post. LINTHOINGAMBI
10th Post. BRINDASHI

* FIRST COME FIRST SERVE ! * SPECIAL FEE CONCESSION FOR THIS SESSION ! * ONLY FEW REMAINING SEATS !

HURRY!! LIMITED SEATS!!!

STATE BOARD AND COUNNCIL (BOSEM & COHSEM)
X & XII REVISION COURSE (Sc./Arts/Com) : 27th DEC
IX & X FOUNDATION COURSE : 25th Jan

CENTRAL BOARD (CBSE)
X & XII CBSE (Sc /Arts/Com) Revision : 18th DEC
IX & X FOUNDATION : 25th Feb

SPECIAL CONCESSION:
ACIANS or Any former students 2. students of Govt. schools 3. Meritorius student 4. Two or more students of same parents

TIME :
4PM to 7.30PM
4.15PM to 7.15PM

SPECIAL facilities:
1. Study materials of each chapter 2. Sunday Test Series 3. Sunday extra Classes OF optional subjects/ MIL 4. Extra class for weaker STUDENDS 5. SEPARATED BOYS AND GIRLS HOSTEL

For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH # 9862992105

HL-B/8415/1-30 Jan Alt.